# ঐচ আই এল ২০১৭ : দেল্লি ৱেভরাইদর্সনা কলিঙ্গা লেন্সর্সপু ৬-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ :
সিমোন চাইল্ডনা মেচ লোইগদবা পুংজাদা চনখিবা ফিল্ড গোলনা দেল্লি ৱেভরাইদর্সনা মফম অসিদগী শিভাজি ষ্টেদিয়মদা চথখিবা হোকি ইন্দিয়ন লীগ (ঐচ আই এল) কী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কলিঙ্গা লেন্সর্সপু ৬-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টালৱিন্দর সিংহনা মেচকী মিনিট মাপন চৎপা মতমদা চনখিবা ফিল্ড গোল অমদি জষ্টিন রৈদ রোসনা পেনালটি কোর্নরদা চনখিবা গোলনা দেল্লিনা হাফ টাইম ফাওবদা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি অদুবু কলিঙ্গানা মতীং থোক্লা শান্নরকখিদুনা মখোয়গী প্লেয়র ধরম্বির সিংহনা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা গোল অমা অমদি মেচকী মিনিট ৫৪ চৎপা মতমদা মোরিটজ ফর্ষ্টেনা গোল অমগা চনশিন দুনা ৪-৩ দা মাঙজিল অমুক থাখি।

অদুম ওইনমক দেল্লিগী রুপিন্দর পাল সিংহনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমা অমদি চাইল্ডনা মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা পিল্ড গোল অমগা চনশিনখিদুনা মেচ অদু ৬-৪ দা মায় পাকখি।

মখোয়গী অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকখ্রবা দেল্লিনা মেচ হেক হৌবদগী মায়োক্লখিবা মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। মেচ হৌখিবা ইকুই কুইদনা কলিঙ্গা লেন্সর্সকী ধরম্বিরনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা অমদা য়াম্ন া নক্লা কনশিনখিবা গোল অমা দেল্লিগী গোলকিপর ভিনসেন্ট ভানাসচনা সেভ তৌখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

লীগ অসিগী সেমী ফাইনেল চঙনবগীদমক মেচ মায় পাক্তবা য়াদ্রবা কলিঙ্গানা অকনবা মওংদা দেল্লিগী মায়কৈদা অতৎ-অখম লৈতনা এটেকশিং তৌখি। দেল্লিসু চাং নাইনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা লেপ্তুনা চঙশিনখি। মেচকী মিনিট মাপন চৎপা মতমদা য়ুম্নুগী মন্দীপ সিংহনা ওইথংবা বেজলাইনদগী পীখিবা ক্রোস অমা টালৱিন্দরনা ওল্লগা অকনবা শাফুদা কালিঙ্গাগী নহা ওইরিবা গোলকিপর অভিনাভ কুমার পান্দেবু নম্মাৎলল্লগা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

দেল্লিনা মেচকী অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা অনীশুবা ক্বার্টরদা পেনালটি কোর্নর অহুম ফংবাঙমখি অদুবু রুপিন্দর অমদি রৈদ-রোসনা কনখিবা বোলশিং কালিঙ্গাগী দিফেন্স ৱাল ফাওদোক্লগা চৎপা ঙমখিদবনা কান্নবা ফংখিদে। কালিঙ্গাসু অথুবদা কাউন্টর এটেক তৌদুনা দেল্লিগী সার্কলদা চঙশিনখিবদা পেনালটি কোর্নর অমা মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা ফংখ্রবসু ফর্ষ্টেনা কনখিবদা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

য়ুম্নুসু অথুবদা মায়োক্লখিবা সাইদতা চঙশিনখিবদা পেনালটি কোর্নর অমা মেচকী মিনিট ২৯ চৎপা মতমদা ফংখি। মদুদা সাউথ অফ্রিকাগী রৈদ রোসনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ৩-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা কালিঙ্গানা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক এটেকশিং তৌদুনা শান্নরকখি। মখোয়না চঙশিনখিবা শাফুদা গ্লেন্ন টর্নরনা পীখিবা পাস অমা দরম্বিরনা ওল্লগা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-৩ দা লৈখি। মখা তানা কালিঙ্গানা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা ফর্ষ্টেনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ৪-৩ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

দেল্লিসু অরোইবা ক্বার্টর অদুদা অহেনবা গোলশিং চন্নবা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা রুপিন্দর পাল সিংহনা গোল ওন্থোকখি। মখা তানা দেল্লিগী ন্যু জিলেন্দর চাইল্ডনা মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা ৬-৪ দা কালিঙ্গাবু মায়থীবা পীখি।

মায়থীহৌখিবা অসিনা কালিঙ্গানা গেম মাপনদগী পোইন্ট ২৩ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লেঙদনা লৈরি। অদুগা দেল্লিনা গেম তরুক্তগী পোইন্ট ১৫ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

দবাং মুম্বাইনা গেম নিপানদগী পোইন্ট ২৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি অদুগা রাঞ্চি রেজনা মেচ নিপানদগী পোইন্ট ১৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। জয়পী পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা গেম তরুক্তগী পোইন্ট ১৭ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা অমদি উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা তরুকশুবা মফমদা লৈখি।

# অলেকজেন্দর জভেরেবনা মোন্টপেলিয়রগী, দিমিট্রোভনা সোফিয়া টুর্ণামেন্টগী টাইটলশিং লৌখ্রে



মোন্টপেলিয়র/সোফিয়া, ফেব্রুৱারী ১৩ :
জর্মনগী নহা ওইরিবা অলেকজেন্দর জভেরেবনা মফম অসিদা চথরিবা মোন্টপেলিয়র ওপনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা হোম ফেভোরাইট রিচার্দ গ্যাসগেটপু ৭-৬ (৭/৪), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অনীশুবা এ টি পি টাইটল লৌখ্রে।

অহুমশুবা সীদ গ্যাসগেট হৌখিবা চহী অনীদা মোন্টপেলিয়রগী ট্রোফি লৌখি অদুবু অহুমশুবা টাইটলদি মশাগী চহী ১৯ শুরবা জভেরেবনা থিংখিদুনা লৌহনখিদে।

মালেমগী ২১শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অমদি মহাক্কী ময়াম্বা মিসচাগা দবলস ফাইনেলদা পার্টনর ওইখিবা অসিনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ ফাওবা চঙখ্রবা মতুং ফাইনেলিষ্ট রফেল নদালগী মখুৎতা সেট মঙাদা মায়থীহৌখিবনি। জভেরেবনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন ষ্টান ৱারিঙ্কাবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা সেন্ট পিটরসবার্গতা মহাক্কী অহানবা টাইটল লৌখিবনি।

অমরোমদা, সোফিয়াদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা সোফিয়া টুর্ণামেন্টগী ফাইনেলদা গ্রিগোর দিমিট্রোভনা বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিনবু ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা কুমজা ২০১৭ কী মহাক্কী অনীশুবা টাইটল লৌখ্রে।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা চহীগী ওইনা মহাক্কী মায় পাকপগী রেকোর্দ অসি ১৪-১ দা লৈখি। মহাক্লা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেলদা রফেল নদালগী মখুৎতা সেট মঙাদা মায়থীখিবনি।

কুমজা ২০১৫ অমদি কুমজা ২০১৬ তা টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমখিদবা দিমিট্রোভনা বলগেরিয়ন কেপিটেলদা চয়োল অমা চূপ্না পাঙথোকখিবা টুর্ণামেন্টদা সেট অমা ফাওবা দ্রোপ তৌখিদে অমদি মালেমগী রেঙ্কিংদা ১২শুবা মফমদা কাখৎপসু ঙমখি।

মমাঙ থাদা ব্রিসবেনদা চেম্পিয়ন ওইখিবা অমদি মহাক্কী কেরিয়রগী টাইটল তরুক লৌবা ঙমখ্রবা দিমিট্রোভনা হায়খি, মসি ঐগী খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা টাইটলনি। হোমদা মায় পাকপা ঙম্বসি ঐগীদি শিংথানিঙাই ওইনা মায় পাকপনি। ঐগী লেমহৌরিবা পুন্সিদা মসিগী মায় পাকপা অসিনা ঐগী লন ওইনা লৈহৌরগনি। মসি ঐগীদি অঙকপা অমনি। চয়োল অসিদা এনাউদশিংনা মতীং থোক্লা সপোর্ট তৌখি। মখোয়গী সপোর্ট অদুগীদমক ঐনা হন্না হন্না থাগৎলি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা বাংলাদেশপু রন ২০৮ দা মায়থীবা পীখ্রে




হায়দ্রবাদ, ফেব্রুৱারী ১৩ :
ভিরাট কোহলিগী টিম ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চথখিবা টেষ্ট মেচকী অরোইবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বাংলাদেশপু য়াম্না লাকচনা তৌখিদুনা রন ২০৮ দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা মায়থীবা য়াওদনা চঙশিল্লকখিবা ১৯শুবা টেষ্ট মেচসু ওইখি।

টার্গেট রন ৪৫৯ তান্নবগী থৌগায় লৌখিবা বাংলাদেশনা ওভর ১০০.৩দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা অপুনবা রন ২৫০ খক্তমক লৌখিদুনা ইন্দিয়াগী মখুৎতা রন ২০৮ দা মায়থীখি।

রভিন্দ্রা জাদেজানা রন ৭৮ পীথোক্লগা ৱিকেট ৪ অমদি রভিচন্দ্রন অশ্বিননা রন ৭৩ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মায়োক্লখিবা টিমবু নৈহৎখিবদা চাউরবা দাইত্বা লৌখি। ইন্দিয়ানা টিগী মমাঙদা পুংখায় অমরোম এক্সত্রা ফংখি অমদি বাংলাদেশনা মখোয়গী মাপনশুবা ৱিকেট অদু আউট ওইখি।

বাংলাদেশকী ইন্নিংস অদুদা জাদেজানা মাপনশুবা ৱিকেট ওইনা টাইজুল ইস্লামবু লৌথোকখি। বাংলাদেশনা রন ২৪৯ দা ৱিকেট ৯ তুখি। অদুগা ইন্নিংস অদুদা জাদেজানা মহাক্কী মরিশুবা ৱিকেট লৌখি।

রভিন্দ্রা জাদেজানা টিগী মমাঙদা বাংলাদেশকী মেহেদি হাসন মির্জাবু ৱিকেট ওইনা লৌথোকখি। বাংলাদেশনা রন ২৪২ দা ৱিকেট ৮ দা লৈখি।

বাংলাদেশকী মাহমুদুল্লাহনা মহাক্কী হাফ সেঞ্চুরি লৌখি। মমাঙদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৬৮৭ লৌরগা দিক্লার তৌখি অমদি কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা দবল সেঞ্চুরি লৌখি। ওপনর মুরালি ভিজয়না রন ১০৮ অমদি ৱিকেট-কিপর-বেটসমেন রিদধিমন শাহানা নোথ আউটতা রন ১০৬ লৌদুনা য়ুম্নুগী য়াল্লবা রন লৌখিবদা মতেং পাংখি।

মদুগী পাউখুমদা বাংলাদেশনা য়াম্না শোন্না বেটিং তৌখি। মখোয়গী কেপ্টেন মুশফিকর রহিমনা রন ১২৭ লৌদুনা টিমগী মশক থোকপা বেটসমেন ওইখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা ইন্দিয়ানা রন ৪৫৯ লৌখি অদুবু বাংলাদেশনা রন ২৫০ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্লদুনা মেচ মরিগী সেরিজ অমা ফেব্রুৱারী ২৩ দগী শান্নবা হৌরগনি।

# ইন্দিয়ানা এসিয়া মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপ্তা সাইনা নেহৱাল, পি ভি সিন্ধু য়াওদনা শরুক য়াগনি





হো চি মিন, ফেব্রুৱারী ১৩ :
লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা এন্যুগুরেল এসিয়া মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী এস ৱিমেন'স সিঙ্গলস শটলর সাইনা নেহৱাল অমদি পি ভি সিন্ধুনা শরুক য়াররোই লোয়ননা মেন'স সিঙ্গলস অমদি দবলস জুরানা লৈবাক অসিগী চেল্লেঞ্জর ওইনা শরুক য়ানবা দাইত্ব লৌখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবগী স্কাদতা সাইনা নেহৱাল অমদি সিন্ধুগী মমিং য়াওখি। অদুবু মবাইনিনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপ য়াওনা ইন্টরনেসনলগী কুন্না লৈরিবা টুর্ণামেন্টশিংগী শেম-শানবগীদমক এসিয়া মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌখি।

সাইনা নেহৱাল অমদি পি ভি সিন্ধু অনী য়াওররোইদবা অসিদা টানভি লাদ অমদি নৌনা নেসনল চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমদি পোলিশ ওপনগী ৱিন্নর ওইখ্রবা রিটুপার্ন দাসনা ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা চেল্লেঞ্জর ওইরগনি অদুগা মেন'স সিঙ্গলসকী দাইত্বনা ঐচএস প্রন্নোয় অমদি সয়ীদ মোদিগ্রান্দ প্রি গোল্ডগী ৱিন্নর সমীর ভর্মানা পুরগনি।

স্বিস ওপনগী চেম্পিয়ন প্রন্নোয়না হায়খি, সাইনা নেহৱাল অমদি পি ভি সিন্ধু য়াওরোইদবনা ঐখোয়গী খুদোংচাবা খরা মাঙজবা লৈরগসু হৌরক্লিবা নহা ওইরবশিং মখোয় মশামক্কী হৈথোই-শিংথোইবা অদু উখোকচনবগী খুদোংচাবা অমদি ওইরগনি হায়না ঐনা খল্লি।

ঐনা চৎনবা য়ানা ইথৌ পাঙথোকখি, নৌনা শেম-শারুবগী তঙাই ফদবা হায়বদু ওইদ্রি অদুবু ঐনা মেচ হেক হৌবগা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎকনি হায়না ঐনা খল্লি হায়না সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনল অমদি নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তুগী ওন্না মপান থোকখিবা অমদি মালেমগী নম্বর ২৪ শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অসিনা ফোঙদোকখি।

দবলস মেচ অহুম য়াওরিবা টাই অসিদা ইন্দিয়াগী লাইবক অসি মিক্স জুরা প্রানভ জেরি চোপ্রা মদি এন সিক্কি রেদ্দিগী মখা পোন্না লৈরি। সিক্কি রেদ্দিনা মমাঙ থাদা সয়ীদ মোদিগী টাইটল লৌখিবনি। নুপাগী অপুনবা বি সুমীথ রেদ্দি অমদি মানু অত্রি অমদি নৌনা নুপীগী জুরা শেমখ্রবী অশ্বিনি পোন্নাপ্পা অমদি সিক্কিগীসু মখা পোল্লি।


ইন্দিয়ানা গ্রুপ দিদা লৈদুনা কোরিয়া অমদি সিঙ্গাপুরগা পুনমিন্নরি। টুর্ণামেন্ট অসিদা এসিয়ন পৱার হাউস চিনা, মালেসিয়া, জপান, ইন্দোনেসিয়া অমদি থাইলেন্দসু শরুক য়াগনি।

প্রান্নোয়না হায়খি, ঐখোয়না সিঙ্গাপুরগী মায়োক্তা খুদোংচাবশিং লৈরি অদুবু কোরিয়াদি য়াম্না টফ ওইগনি। ঐখোয়না সিঙ্গাপুরগী মায়োক্তা মায় পাক্কনি হায়না ঐনা আশা তৌরি অমদি ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এন্দি মরেনা এ টি পি সিঙ্গলস রেঙ্কিংগী টোপ স্পোটতা লেঙদনা লৈখ্রে

মেদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ১৩ :
বৃটিশকী টেনিস প্লেয়র এন্দি মরেনা এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেস্নেলস (এ টি পি) ৱর্ল্ড সিঙ্গলস রেঙ্কিংদা অপুনবা পোইন্ট ১১,৫৪০ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লেঙদনা লৈখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা স্কোট অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা নবেম্বর ৭ তা রেঙ্কিংগী টোপ স্পোটতা লৈরকখিবনি। মতম অদুদগী মহাক্লা মখা তানা লমজিংদুনা লাক্লি।



চয়োল অসিদা এ টি পি রেঙ্কিংদা অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা পোইন্ট ৯,৮২৫ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরি অদুগা স্বিসকী ষ্টান ৱারিঙ্কানা মতুং ইন্নরি।

এ টি পি রেঙ্কিংদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা এন্দি মরে, (স্কোটলেন্দ, পোইন্ট ১১,৫৪০), অনীশুবদা নোভাক জোকোভিচ (সার্বিয়া, পোইন্ট ৯,৮২৫), অহুমশুবদা ষ্টান ৱারিঙ্কা (স্বিটজরলেন্দ, পোইন্ট ৫,৬৯৫), মরিশুবদা মিলোস রাওনিক (কানাডা, পোইন্ট ৪,৯৩০), মঙাশুবদা কৈ নিশিকোরি (জপান, পোইন্ট ৪,৮৩০), তরুকশুবদা রফেল নদাল (স্পেন, পোইন্ট ৪,৩৮৫), তরেৎশুবদা মারিন সিলিক (ক্রোসিয়া, পোইন্ট ৩,৫৬০), নিপানশুবদা দোমিনিক থিয়েম (ওষ্ট্রিয়া, পোইন্ট ৩,৫০৫), মাপনশুবদা গেল মোনফিলস (ফ্রেঞ্চ, পোইন্ট ৩,৪৪৫) অমদি তরাশুবদা রোজর ফেদরর (স্বিটজরলেন্দ, পোইন্ট ৩,২৬০) নি।

# ৱিমেন'স দব্লিয়ু সি ক্বালিফাইয়র : ইন্দিয়ানা জিম্বাবৱেবু ৱিকেট মাপনদা মায়থীবা পীখ্রে

কলম্বো, ফেব্রুৱারী ১৩ :
ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমনা মফম অসিগী পি সারা ওভেল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়িংগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা জিম্বাবৱেবু ৱিকেট ৯ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখিবা জিম্বাবৱেগী ওপনর মোদেষ্টর মুপা চিকৱানা অহুমশুবা বোলদা আউট ওইখি। মখোয়না চাং নাইনা ৱিকেটশিং তুখি অমদি ওভর ২৮.৫ দা রন ৬০ খক্তমক লৌখি।

লেগ-স্পিন্নর পুনম যাদভনা ৱিকেট মঙা লৌখিদুনা ওভর ৭.৫ দা রন ১৯ পীথোকখি। ইন্দিয়ানা টার্গেট রন তান্নখিবদা ওভর মাপনদা ভেদা কৃষ্ণমুর্থিখক্তমক আউট ওইরগা পন্থুং য়ৌখি। কৃষ্ণমুর্থিনা রন ২৯ লৌরমখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়ানা আই সি সি ৱিমেনস'স ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেচতা আইরলেন্দবু রন ১২৫ দা মায়থীবা পীদুনা সুপর সিক্স ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী থংন-থংননা মায় পাকপা অহুল্লকশুবসু ওইখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বালিফাইয়র অসিগী গ্রুপ বিগী মেচশিংদা পাকিস্তান অমদি বংলাদেশসুমায় পাকখিদুনা ক্বালিফাই ওইনবগী লম্বী নকশিন্নখিবনি।

ইন্দিয়ানা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ২ তুরগা অপুনবা রন ২৫০ লৌখি। অদুগা আইরলেন্দনা ওভর ৪৯.১ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ১২৫ খক্তমক লৌবা ঙমখিদুনা ইন্দিয়াগী মখুৎতা ১২৫ দা মায়থীহৌখি।



ইন্দিয়াগী ওপনর থিরুশ কামিনিনা মহাক্কী কেরিয়রগী লমদগী ফবা ওইনা রন ১১৩ না লৌদুনা নোট আউটতা লৈখি। মহাক্লা সেঞ্চুরি অদু লৌখিবদা বাউন্দরি ১১ অমদি সিক্স মরি কনখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর থিরুশ কামিনিনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইগী ফবা ওইনা রন ১১৩ লৌদুনা মরি কনখি। মহাক্লা দীপর্টি শর্ম্মা (৮৯) গা পাদুনা রন ১৭৪ লৌখি। দীপটি শর্ম্মানা রন ৮৯ লৌখিবা অসিনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মহাক্কী অনীশুবা হাফ সেঞ্চুরিসু ওইখি। লেফট-হেন্দেদ জুরা অসিনা ওভর ৪০ ফাওবা পাদুনা বেট্টিং তৌমিন্নখিদুনা চহী মরি অসিদা ও দি আইদা অহানবা ওপনিং সেঞ্চুরি লৌবসু ওইখি।

লীগ অসিগী অঙনবা শরুক্তা শ্রী লঙ্কাগী মখুৎতা মায়থীখিবা আইরলেন্দনা মখোয়গী রন তানখৎলকখিবদা ইন্দিয়াগী লেগ-স্পিন্নর পুনম যাদভনা ৱিকেটশিং মথং-মথং লৌথোক্তুনা নম্মাৎখি। পুনা যাদভনা রন ৩০ পীথোক্লগা ৱিকেট অহুম লৌদুনা টিমগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা ঙম্বা বোল্লর ওইখি। আইরলেন্দগী গেবি লেৱিসনা রন ৩৩ অমদি ইসোবেল জোয়সিনা রন ৩১ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইখি।

ইন্দিয়ানা মমাঙদা শ্রী লঙ্কা অমদি থাইলেন্দবু মায়থীবা পীখিদুনা গ্রুপ এগী ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। ইন্দিয়াগী শিখা পান্দেনা রন ১১ পীথোক্লকন্দা ৱিকেট ২ অমদি দেভিকা ভাইদয়ানা রন ১১ পীথোক্লগা ৱিকেট ২ লৌখি।

## ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা ৱর্ল্ড কপকী মেদল লৌননবা মিৎয়েং থল্লি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩ : হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তা ইন্দিয়ন হোকি টিমনা মতীং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা থাকৱাংনা লৈখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকী মেদল লৌবা হায়বসিনা টিম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দম ওইরি।

ইন্দিয়ন টিমগী এস দ্রেগ ফ্লিক্কর রুপিন্দর পাল সিংহনা হায়খি, হৌজিক ঐখোয় টিমগী মরু ওইবা পান্দমদি ৱর্ল্ড কপকী মেদল লৌবা হায়বসিনি। জুনিয়র টিমনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বদু উখোক্তুনা ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে অমদি হন্দক লাক্কদৌরিবা অসিনা সেনিয়র টিমগী ৱর্ল্ড কপ লৌনবগী খুদোংচাবা অদু ওইরগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।


পাউগী এজেন্সি অমনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ুদা রুপিন্দর পাল সিংহনা হায়খি, ইন্দিয়ানা এসিয়ন চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী গোল্ড মেদল লৌদ্রিঙৈ মমাঙদা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী সিলভর মেদল লৌখি অমদি রুপিন্দরনা হৌজিক ওইরিবা টিম অসিনা হোকি ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ গী মেদল শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি। কুমজা ১৯৭৫ দা মালেসিয়াগী কৌলা লম্পুরদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা আর্ক রাইভেল পাকিষ্টানবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। মতম অদুদগী ইন্দিয়ানা মেগা টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লাকখি অমদি মেদল অমত্তা লৌবসু ঙমদনা লৈরক্লিবনি।

# য়ুসুফ পথানননা ফোরেনগী টি-২০ লীগতা শান্নবগী খুৎয়েক পীবা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেটর ওইখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৩:
য়ুসুফ পথানননা মপান লমগী ফ্রেঞ্চাইজ বেজ টি-২০ লীগতা খুৎয়েক পীবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপা ক্রিকেটর ওইখিবগা লোয়ননা মার্চ থাদগী হৌগদৌরিবা হোং কোং লীগ অসিনা লাক্লিবা আই পি এলগী শেম-শানবগী খ্বাইদগী ফবা টুর্ণামেন্ট ওইরে হায়না মহাক মশাদা ফাওজরি।

লাক্লিবা মার্চ ৮ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসিদা মহাকপু শান্নবগী অয়াবা পীখিবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) অমদি বারোদা ক্রিকেট এসোসিএসন (বি সি এ) বু পথানননা হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎখি।

আই পি এলগী কে কে আরদা শান্নরিবা য়ুসুফনা হায়খি, ঐনা অহানবমক্তদা এন ও সি পীবিবগীদমক্তা বি সি সি আই অমদি বি সি এবু থাগৎপা পাম্মী। মসিগী খোঙচৎ অসিগীদমক ঐঙোন্দা তশেংনা নুংঙাইবা পোকই অমদি মসি আই পি এলগীদমক শেম-শানবগী খ্বাইদগী ফবা খুদোংচাবনি হায়না ঐনা খল্লি। মদুগীদমক্তা ঐনা মসিগীদমক খুৎয়েক পীবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।



কুমজা ২০১২ দা ইন্দিয়াগীদমক অরোইবা ওইনা শান্নখিবা মশাগী চহী ৩৪ শুরবা অসিনা টুর্ণামেন্ট অসিগী অনীশুবা এদিসনগী নোলুন কান্টোন্সপু মায়খুম হাংদোকখি। মহাক্কী টিমদা ফোরেন প্লেয়রশিং পাকিস্তানগী শহিদ অফ্রিদি অমদি ইংলেন্দগী পেসর টিমালেমিল্লস য়াওরি। টিমাল মিল্লসনা হন্দক্তা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজদা শরুক য়াখিবনি।

য়ুসুফনা প্লেয়রশিংগী লাইন-অপকী মতাংদা নিংথিনা খঙবা ঙমদ্রবসু মহাক্ল া এক্সপরিয়েন্স ময়াম অমা তানশিনবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, য়াম্না থম্মোয় শেংনা, প্লেয়রশিংনা শরুক য়াবগী মতাংদা ঐনা করিগুম্বা অমত্তা খঙবা লৈতে অদুবু মশক নাইবা প্লেয়র খরদি শরুক য়াগনি হায়না ঐনা তাই। ঐনা মখোয়গা উননবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি। লীগ অসি অতেনবা মতমগী টুর্ণামেন্ট ওইবনা ঐগী দোমেষ্টিক্কী কম্মিটমেন্টদা থোইদোক্লা শোকপা লৈরোই অমদি ঐনা ভিজয় হাজারে ট্রোফিদসু শরুক য়াগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা অরোইবা ওইনা সয়ীদ মুশটাগ অলি ট্রোফিদা শরুক য়াখি অমদি মহারাষ্ট্রগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা অদুদা বোল ৩৫ দা রন ৫৬ লৌখি। য়ুসুফপু মহাক্কী বিগ হিট্টিংগীদমক খঙনরি অমদি আই পি এলদা খ্বাইদগী থুনা ফিফটি লৌবগী রেকোর্দসু থল্লি। মহাক্কী মায় পাকখিবা অদু কুমজা ২০১৪ গী এদিসনদা সনরাইজরস হায়দ্রবাদকী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা বোল ১৫ দা হাফ সেঞ্চুরি লৌখিবা অদুনা ওইরি। মহাক্লা কুমজা ২০১০ দা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী মায়োক্তা বোল ৩৭ তা হন্দ্রেদ লৌখি। হৌখিবা চহী মঙাগী মমাঙদা ইন্দিয়াগীদমক শান্নখিবা য়ুসুফনা নেসনল কলরগীদমক অমুক হন্না শান্নরকখিগনি হায়বগী আশা মাঙদনা হৌজিক ফাওবা লৈরি।

মহাক্লা হায়খি, ঐনা হৌজিক ফাওবা ঐগী গেমগীদমক অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি। মসি মতম পুম্নমক্তা টফ ওইবা হায়বদু ওইরি অদুবু ঐনা ইন্দিয়াগীদমক্তা ঐগী সপোর্টরশিংগী অমদি ফেনশিংগীদমক অমুক হন্না শান্নবা পাম্মী। মসি ঐগী খ্বাইদগী চাউবা নিংজবা মঙলাননি। ঐনা আই পি এলদা ফজবা পার্ফোমেন্সশিং উৎকনি অমদি মতুংদা নঙনা করি ওইরকপগে হায়বদু খঙবা ঙল্লোই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ক্রিকেট হোং কোংগী চীফ এক্সিক্যুটিব টিম কটলরনা য়ুসুফপু লীগতা শান্নবা য়ানবগী পার্মিট পীরকপদা বি সি সি আইবু থাগৎপা ফোঙখি।

মহাক্লা হায়খি, মসি য়াম্না নুংঙাইবা পাউনি অমদি বি সি সি আইনা মসিগী এন ও সিগী গ্রান্টিং পীরকপগীদমক ঐখোয়না তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।